# মহারাষ্ট্রা, পঞ্জাব অমসুং টামিল নাদুনা মে ৩১ ফাওবা লোকদাউন শাংদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, মে, ১৭ (এজেন্সি)ঃ**
মহারাষ্ট্রা অমসুং পঞ্জাবকী মথংদা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনসু কোভিদ–১৯ লাক্সিন্নবগী থৌরাং ওইনা ঙসিদগী মে ৩১ ফাওবা লোকদাউন মতম শাংদোকখ্রে।

থা ২ রোম লেপ্লুরবগী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট ২৫দা পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসন অমুক হৌবগুম্বা অনৌবা কোমথোকপা খরা চীফ মিনিষ্টর কে পালানিশ্বামিনা লাওথোকখ্রে।

হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মনুংদা চখোক–চৎশিনগী থবক এসেন্সিয়েল সার্ভিসেস ওইরিবা ফাওবা চৎপা য়াহনগনি। ষ্টেটকা–ষ্টেকগী মরক্তা চৎপদি গভর্ণমেন্টকী অয়াবা মখা তানা মথৌ তাখিগনি।

ষ্টেটকী কোনুং চেন্নাই য়াওনা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট ১২দা লোকদাউনগী ৩শুবা তাঙ্কতা লৈরিবা অথিংবশিং অদুদা অহোংবা লৈরোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং পব্লিক হেল্‌থ অমসুং মেদিকেল এক্সপার্টশিংগা খন্না–নৈনরবা মতুংদা মে ৩১ ফাওবা লোকদাউন শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

ষ্টেট অসিগী মফম পুন্নমক্তা স্কুলশিং, কলেজশিং, এদুকেসন ইনষ্টিট্যুসনশিং, লাইখুরুমফমশিং, সেনিমা থিয়েটরশিং অমসুং বারশিং পুন্নমক মখা তানা থীংজিনখিগনি।

পার্কশিং, বিচশিং অমসুং স্পোর্টস কপ্লেক্সশিংসু মখা তানা অথিংবা থমখিগনি। অদুম ওইনমক ক্লাস ১২ একজাম পেপরশিং য়েংনবা খনগৎপা ওজাশিং অমসুং এদুকেসন ষ্টাফশিংদি অথিংবশিংদগী কোমথোক্কনি হায়রি।

লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী থীনা শোকহনবা ষ্টেট ওইরিবা মহারাষ্ট্রনা মে ৩১ ফাওবা লোকদাউনা শাংদোকখ্রে। কোভিদ–১৯না নাবগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপদগী উদ্ধব থাক্করে গভর্ণমেন্টনা লোকদাউন শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি।

লোকদাউন শাংদোক্লবগী ৱারেপ অসি লৈবাকশিনবগী লোকদাউনগী ৩শুবা তাঙ্কক অসি লোইশিল্লকখিবা অমসুং লোকদাউনগী ৪শুবা তাঙ্কককীদমক সেন্টরনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম গাইদলাইন্স লাওথোক্কদৌরিবা নুমিৎ ঙসিমক্তদা লেপখিবনি।

কোভিদ–১৯না নাবা লৈবাক্কী অপূনবা মশীংগী ৩ থোকপগী ১ রোম মহারাষ্ট্রদা লৈ। ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসনা নাবগী মশীং ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ৩০,০০০ হেনখ্রে।

ঙরাং থাংজ নুমিৎ খক্তদা নৌনা মীওই ১৬০৬ নারকখি। অনাবা মশীং ৮৮৪ খঙহেন হেনগৎলক্কুনা মুম্বাইগী অপূনবা অনাবা মশীংসু ১৮,৫৫৫ য়ৌখি।

ঙসি লোইশিনগদৌরিবা সেন্টরনা থমখিবা লোকদাউন অদু মখা তানা মতম শাংদোক্কদবা অতৈ ষ্টেটশিং অদুদি পঞ্জাব, মিজোরাম অমসুং মনিপুরনি। ষ্টেট ৩মক অসিনা মে ৩১ ফাওবা লোকদাউন শাংদোকখ্রে। অদুগা তেলঙ্গনা ষ্টেটনা মে ২৯ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

# দোদা অমসুং কুলগামদা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ১ হাৎখ্রে, পুলিস ১, লান্মী ১ শিখ্রে, এল ই টি ৱার্কর ৫ ফাখ্রে

**শ্রীনগর, মে, ১৭ (এজেন্সি)ঃ**
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দোদা দিষ্ট্রিক্তা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা, অমসুং খা কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্তা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা টেরোরিষ্টশিংগা তোঙান–তোঙানবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অনীদা টেরোরিষ্ট ১ হাৎখ্রে, পুলিস হেদ কনষ্টেবল ১ অমসুং আর্মি জৱান অমা শিখ্রে।

ঙসি নোংমাইজিংগী খূৎ থোক্লবা অদু দোদা দিষ্ট্রিক্টকী খূঙ্গং অমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওপরেসন অমা চথবদা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী থোকখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

দোদা টাউনদগী কিলোমিটর ২৬ লাপ্পা গুন্দানা এরিয়াগী পোষ্টা–পোত্রা খূনদা নোংমৈ কাপ্পখিবা অদুদা আর্মি জৱান ১ অরুবা ফিভমদা শোকখি। হোস্পিটাল অদুদা মাগী অশোকপশিং অদুগী মরমদগী কোন্না শিখি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

হৌজিক মখা তানা চথরিবা ওপরেসন অদুদা মফম অদুদা লোৎলম্বা টেরোরিষ্টশিংগী মনুংদগী ১ হাৎলে। টেরোরিষ্ট কাঙবু অদু হিজবুল মুজাহিদিন গ্রুপকীনি। ওপরেসন অদু মখা তানা চথরি অমসুং মখা তাবা পাউ ঙাইরি হায়না জম্মু জোনগী ইনস্পেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস মুকেশ সিংহনা হায়খি।

অমরোমদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতসু খা কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্তা চেকপোইন্ট অমদা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা জে এন্দ কে পুলিসকী হেদ কনষ্টেবল অমা শিখি।

কুলগামগী ফ্রীশাল চোকতা লৈবা চেকপোইন্ট অদুদা হেদ–কনষ্টেবল মোহমদ আমিন বাগাদ মকোক্তা পানখি। মহাক হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি অদুবু ডোক্টরশিংনা শিরগা পুরক্লে হায়না লাওথোকখি।

মরকসিদা ময়াই থংবা কাশ্মিরগী বদাগাম দিষ্ট্রিক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাস্কর–ই–টাইবা (এল ই টি) মোদুল অমা থুগাইখ্রে অমসুং এল ই টিগী ওভরগ্রাউন্দ ৱার্কর ৫ ফাখ্রে অমসুং মখোয়গী লোৎফম অদুদগী খূৎশু–খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরু কয়া ফংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



# মাইগ্রেন্টশিংনা মখোঙনা য়ুমদা চৎখিরোইদবনি, চিঞ্জাক অমসুং লৈফম পীগনি ঃ অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল



**ন্যু দিল্লি, মে, ১৭ (এজেন্সি)ঃ**
লৈবাক অসিনা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক লাক্সিন্নবা লৈবাক শিনবা–থুংবগী লোকদাউন চথরিবা অসিদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংনা অৱাবা খুদোঙচাদবা অমত্তা মায়োক্লহন্দনবা শীন্নবা দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙসি ওথোরিটিজদা য়াথং পীখ্রে।

হেক মথৌ তারিবা মখে মাইগ্রেন্টশিংগীদমক ট্রেনশিং থৌরাং তৌগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ওথোরিটিজদা থোকখিবা ওর্দর অদুগী কোপি অমা ঙসি মিষ্টর কেজ্রিৱালনা ট্বিট তৌখি। মদুদা হায়, মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংনা লম্বীদা অমসুং রেলৱে ট্রেকশিংদা খোঙনা চৎপগী থবক তৌদনবা শীনগদবনি। করিগুম্বা মাইগ্রেন্টশিংনা খোঙনা চৎলম্বা থেংনরবদি মখোয়বু নীংথিজনা ৱারী শান্নদুনা ৱাখল তাহনগদবনি অমসুং অনকপা লৈফমশিংদা পুগদবনি অমসুং চান–থক্লবা মচাক পীগদবনি। মসি মখোয়গী পোক্লফমশিং অদুদা শ্রমিক স্পিসিয়েল ট্রেনশিং নৎত্রগা বসশিংদা মখোয়বু চৎনবগী খুদোঙচাবা ফংদ্রিঙৈ মতম ফাওবা পীগদবনি হায়না ওদর অদুনা মখা তাখি।

পন্দুনা লৈরিবা অৱাবা মায়োক্লরবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং ময়ুমদা চৎপগী চাং হেন্না থুহন্নবা শ্রমিক স্পিসিয়েল ট্রেন মশীং হেন্না চেন্নবা রেলৱেজগা নিংথিজনা তেংবাংনগদবনি হায়না কেজ্রিৱালগী ওর্দর অদুনা হায়খি।

করিগুম্বা অপনবা–অথিংবা অমত্তা লৈতনা শ্রমিক স্পিসিয়েল ট্রেন পুন্নমক ওক্লদবনি অমসুং পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংবু মখোয়গী পোকফমশিং অদুদা হেন্না থুনা য়াঙনা চৎপা য়াহন্নবা মখোয়দা হায়গদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ওফিসিয়েলশিংদা হায়খি।

# য়ু পিনা মাইগ্রেন্ট চংবা থিংখিবদা মাইগ্রেন্টশিংনা বেরিকেদশিং থুগাইখ্রে, হুপ্তুনা চেনশিল্লকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে, ১৭ (এজেন্সি)ঃ**
হায়ৱেদা মাইগ্রেন্ট কয়ামরুম শিবগী থৌদোক থোকখিবা মতুংদগী উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মনুংদা মাইগ্রেন্টশিং চংলকপদা অথিংবা থমখিবা মতুং ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মথুরাদা মখূৎতা অপিকপা অঙাংশিং অমসুং বেগ্গেজশিং পায়বা মীওই লিশিং কয়ানা বেরিকেদশিং থুগাইরগা হুপ্তুনা চেশিল্লকপগী অঙকপা থৌদোক অমা থোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা ময়ুমদা হল্লকখিবদা চোকথবদগী অমসুং চাবা ফংদবদগী লেবরর কয়ামরুম শিখ্রে, খরা অমনা এক্সিদেন্টশিংদা শিখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যানাথনা মাইগ্রেন্টশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং–মনুংশিংনা খোঙনা, সাইকলনা নৎত্রগা ট্রকশিংদা চংলকপদা অথিংবা থন্নবা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েলশিংদা ওর্দর তৌখি। মখোয়দা মীওইশিং অদুগীদমক চান–থক্লবা অমসুং লৈফম শিন্নবা লোয়ননা মখোয়বু মখোয়গী খূঙ্গংশিংদা থিন্নবা বসশিং থৌরাং তৌনবসু খঙহনখি।

ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদগী চীফ মিনিষ্টরগী ওর্দর অদু ষ্টেট ঙমখৈশিংদা লৈবা টাউনশিংদা চপ চানা থবক্তা ওহোকখি। অদুবু মথুরা য়াওনা মফম কয়ামরুমদা মাইগ্রেন্টশিং অদুনা লম্বীদা থিংনবগী বেরিকেদশিং অদু থুগাইখি অমসুং হুপ্তুনা চেনশিল্লকখি।

মধ্য প্রদেশতগী রেৱা ফাওরগা মাইগ্রেন্টশিং হুপচিল্লকপগী অদুগুম্বা চপ মান্নবা ফিভম অদু ঙমখৈগী দিষ্ট্রিক্ট প্রয়াগরাজদসু থোকখি। ঙরাং খঙহৌদনা মীওই ২০,০০০ লোম থোক্লকখি। ঐখোয়না মখোয়বু ময়ুমদা থানবা হোৎনখি।

মফম অদুদগী য়েংবদা থম্মোয় শোক্লবা ভিদিওশিংনা মাইগ্রেন্ট খূৎপু–খূৎপুনা য়াঙনা চেল্লিবা গাড়ীশিংগী নাকন্দা চেনবা উৎলি। ফিভম অদুদা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিংগী ৱা লৈখিদে নৎত্রগা মফম অদুদা সেক্যুরিটি পাসোনেলশিং নৎত্রগা পুলিসমেনশিংগী মশক উখিদে।

অয়ুক ফাওবদা বস ৯০ চেনখি। অহেনবা বসশিংসু লাক্লগনি। ঐখোয়না মীয়াম অদুবু সেল্টর হোমশিংদা পুরকখ্রে অমসুং মখোয়গীদমক য়েংশিনখ্রে। ঐখোয়দা মতেং পীনবা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে হায়না মথুরাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট সরবেস রাম মিশ্রনা হায়খি।

মাইগ্রেন্টশিংবু ময়ুমদা পুনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা স্পিসিয়েল ট্রেনশিং চেনবা হৌহনখিবা মতুংদগী হায়ৱেশিংদা মী শিবগী থৌদোক হঞ্জিন–হঞ্জিন থোকপা থৌদোক অমা ওইরকখ্রে।

মার্চ ২৫দা লোকদাউন হৌখিবা মতুংদগী মীওই কয়ানা নিংথিজনা চাবা ফংদনা অমসুং লৈফম লৈতনা চয়োল কয়া মখোঙনা চৎলি। মখোয় অদু রেজিষ্টার তৌনবগী অমসুং ট্রেনশিংগীদমক ঙাইনবগী ওইথোক্লিঙাই লৈতে।

ট্রকশিং, টেম্পোশিং অমসুং চাকা ৩ পানবা গাড়ীশিংদা ঙারি নম্বগুন্না মখোয়না মখোয়গী ময়ুম খূঙ্গংশিং অদুগীদমক লাক্লখি। অতৈ মীওই কয়া অমনসু মখোঙনা লাক্লখি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ময়ুমদা হল্লক্লবা হোৎনবদা অদু ষ্টেটকী কোনুং লক্ষ্নৌদগী কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্পা ঔরায়া দিষ্ট্রিক্তা মখোয়না তোংলিবা ট্রক ২অদু থেঙ্গাইনবদগী মাইগ্রেন্ট ২০ শিখি।

হৌখিবা চয়োলদা মখোঙনা শাংনা লাকপদগী চোকথরবা মাইগ্রেন্টশিংনা রেলৱে ট্রেকশিংদা তুমদুনা লৈবা মাইগ্রেন্ট ২০ লোমগী কাংবু অমগী মনুংদগী কার্গো ট্রেন অমনা তকপদা মাইগ্রেন্ট ১৬ শিখি।



# ইন্দিয়ান অর্মি চীফকী কিহনবশিং অমসুং মরান শীরিবশিং অদু পাকিষ্টাননা লৌদে ঃ ফোরেন ওফিস

**ইস্লামাবদা, মে, ১৭ (এজেন্সি)ঃ**
ইন্দিয়ান আর্মি চীফ জেনরেল এম এম নরাবনেনা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা কিহনবশিং অমসুং মরান শীবশিং অদু লৈবাক অদুনা ঙরাং মৱা লৌখিদ্রে।

চিনা অমসুং পাকিষ্টানগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়ানা মায়কৈ অনীগী লান অমা মায়োক্লবগী ওইথোক্লিঙাই অমা লৈব্রা হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা জেনরেল নরাবনেনা মদু ওইথোকপা য়াবা অমনি অমসুং লৈবাক অসিনা অসিগুম্বা ফিভম অমা থেংননবা থৌরাং তৌদুনা লৈবা তাবনি হায়খি।

ইন্দিয়ান আর্মি চীফগী পাকিষ্টানদা মরান শীবশিং অমসুং কিহনবশিং অদু ঐখোয়না মৱা লৌদে হায়না ফোরেন ওফিসকী ৱাঙাংলোই ওইরিবী অইশা ফারুকিনা পাউমীশিংদা হায়খি।

হায়রিবশিং অদু জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী মালেমগী মীৎয়েং থৈদোকখিনবা ইন্দিয়ানা হোৎনরিবশিং অদুগী শরুক অমনি হায়না ফোরেন ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

পাকিষ্টান ফোরেন ওফিসনা হায়খি, ইন্দিয়ানা মীৎয়েং থৈদোকখিনবা হোৎনরিবশিং, শেরান্ননা তমশিল্লিবশিং অমসুং মখা তানা অকন–অরীং শীংবশিং অদুনা খা এসিয়াগী শান্তি অমসুং সেক্যুরিটিদা শোকহল্লি। মসি ৱার্ল্ড কম্ম্যুনিটিনা থবক লৌখৎপা অমসুং রিজনেলগী শান্তি অমসুং তংদুলৈতাবগী য়েংলগা দায়ত্ব খঙনা থবক তৌনবা ইন্দিয়াদা তকশিনবা মরু ওই হায়না ফোরেন ওফিসনা মখা তাখি।

পুলৱামা টেরর এটেক অমসুং মদুগী লমন খুন্নবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা পাকিষ্টানগী বালাকোততা লানগী প্লেনশিং পাইশিন্দুনা এটেক চখিবা অদুদগী ইন্দিয়াগা পাকিষ্টানগগী লৈনবা মরী ফৎখিদে।

মসিগীসু অমুক মথক্তা হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মুত্তৎখিবা অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস ককথৎখিবা অদুগী মতুংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈবা মরীশিং অমুক্লা হেন্না থীনা শোকচিনখি।

ইন্দিয়াগী খোঙথাং অদুনা পাকিষ্টানবু শাওহনখি। মরম অদুদগী ইন্দিয়াগা লৈনবা দিপ্লোমেটিক্কী মরীশিং থাক নেমথহনখি লোয়ননা ইন্দিয়ান হায় কমিস্নারবু লৈবাক অদুদগী তাম্থোরকখি।



পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলিবী পাকিষ্টান ফোরেন ওফিসকী ৱাঙাংলোই অইশা ফারুকি

# ইজরেলদা চিনাগী এম্বেসেদর টেল এভিভতা লৈবা ময়ুমদা শিনা লৈরম্বা থেংনখ্রে ঃ পুলিস

**জেরুসালেম, মে, ১৭ (এজেন্সি)ঃ**
ইজরেলদা থাবা চিনাগী এম্বেসেদর দু ৱৈ ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ইজরেলগী কোনুং টেল এভিভকী মপান্দা লৈবা মাগী রেসিদেন্সতা শিনা লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়না ইজরেল পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ফেব্রুৱারি থাখায়দা ইজরেলদা থুংখিবা মশাগী চহী ৫৭ শুরবা এনভোয় অদু সিটি অসিগী অৱাংদা হরজলিয়াদা লৈবা মহাক্কী ময়ুম মনুংদা শিনা ফংখি হায়না ৱাঙাংলোই মিক্কি রোজেনফিলনা থৌদোক অদু পুলিসনা থিজিল্লি হায়না মখা তারদুনা ফোঙদোকখি। এম্বেসেদর অসিগী নুপী অমসুং মচানুপা অদু ইজরেলদা মহাক্কা লৈমিন্নদে।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা চপ চাবা ঈ–পাউ অদু ফংলবা মতম খক্তদা মসিগী মতাংদা মত পীগনি হায়খি।

অনেম্বা ফকলাং অমনা কোয়শিনবা অমসুং গার্দেনগী অৱাংবা হৈপাল–লৈপালশিং ফজনা হৌবা রেসিদেন্স অদুদা ইজরেলি পুলিস অমসুং ফেরেনসিক্স টিমশিং লৈবা উখি হায়না এ এফ পি পাউমীশিংনা হায়খি।

এম্বেসি অদুগী ৱেবসাইদতা মাগী বাইওগ্রাফি অমগী মতুং ইন্না দু ৱৈনা য়ুক্রেনদা এম্বেসেদর ওইনা হান্না থবক তৌরমখি। ষ্টাফনা মহাক মাগী ফমুংদা শিনা ফংখি অমসুং হিংশাগী খুদম লৈখিদে হায়না অহানবগী পাউশিংনা হায়খি হায়না দ হরেটজ দেলিনা হায়খি।

পাউ–চে অদুনা ইজরেলগী ইমর্জেন্সি মেদিকেল সার্ভিস মাগেন দেবিদ অদোংগী ৱারোল পল্লদুনা শিবগী মরম অদু কার্দিয়াক ইন্সিদেন্ট অমা মাল্লি হায়খি। মেদিকেল সার্ভিস অদুগী ৱাঙাংলোই অমনা ওফিসিয়েল ইনফোর্মেসন অমত্তা পীরোই।

দু ৱৈনা ইজরেলদা থুংলখিবদা অনৌবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসিগী মরমদগী নুমিৎ ১৪নি য়ুমদা ক্বারেন্টিন চৎখি হায়না মে থাদা মফমদুগী মেদিয়াগা উন্নখিবা অমদা ফোঙদোকখি।

ইজরেলগী খ্বাইদগী সার্কুলেসন ৱাংবা হিব্রু পাউচে ‘ইজরেল হায়োং’না এপ্রিল ২দা ‘কোল্লাবোরেসন ইজ দ ক্যুওর ফোর দ ভাইরস’ হায়বা থিমদা দু ৱৈগী এদিটোরেল অমা ফোঙখি।

য়ু এসকী অকনবা খোংলোই অমা ওইরিবা ইজরেলগা চিনাগা হায়–টেক অমসুং অতৈ সেক্টরশিংদা তেংবাংনবা য়ান্না হেনগৎল্লকখিবদগী ৱাসিংটননা ইজরেলদা মখোয়গী ষ্ট্রেটেজিক সেক্টরশিংদা চাইনিজ ইনভেষ্টমেন্ট ককথনবা তকশিনখি।

হায়রিবা ৱাফম অদু চাইনিজ এম্বেসি ৱাঙাংলোই ৱাং য়োং জুননা হন্দক্তা জেরুসালেম পোষ্ট কমেন্টরি অমদা ককথৎখি অমসুং সিনো–ইজরেলি কোওপরেসনবু নাকন অমীমক্তা মায় পাকপা অমনি হায়খি।



# ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী কোভিদ–১৯ ভেক্সিন য়োংদা টেষ্ট তৌবদা অফবা ফল খরা ফংলে

**লন্দন, মে, ১৭ (এজেন্সি)ঃ**
য়ু কেগী খ্বাইদগী চাওবা কোভিদ–১৯ ভেক্সিন প্রোজেক্ট, হৌজিক য়ুনিভসিটি ওফ ওক্সফোর্দনা চাংয়েং চথরিবা অদুদা য়োংশিংদা চথবা অপীকপা ষ্টদি অমদা য়ান্না আশা লৈরবা ফল খরা উবা ফংলে হায়রি।

চাংয়েংশিং অদুদা য়াওরিবা রিছার্চরশিংনা হায়, ভেক্সিন অদুনা য়োংগী ইম্ম্যুন সিষ্টেমস অদুবু শাথিরবা ভাইরস অদু ঙাকথোক্লবা কনখৎহনবা ঙম্বগী খুদমশিং উৎলি। ওন্ন–তৈনবা ফৎতবা ফলশিংগী খুদম অমত্তা উদে।

হৌজিক পীয়ার–রিভ্যু তৌগদবদি ৱাৎলিবা ষ্টদি অদুগী মতুং ইন্না সিঙ্গল ভেক্সিনেসন দোজ অমনসু ভাইরস অদুনা শাথিনা শোকহনবা য়াবা লংস ওর্গানশিংদা শোকপা থিংবদা ফজনা কান্নে।

খ্বাইদগী হেন্না চাওনা মথৌ তারিবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মীয়ামদা মসি ফংহন্নবা চাংদা ভেক্সিন অসি শান্নবা মালেমগী লৈবাকশিংনা থৌরাং তৌবা অদু ঐখোয়না পাম্মি হায়না য়ুনিভসিটি ওফ ওক্সফোর্দতা মেদিসিনগী প্রোফেসার ওইরিবা জোন বেল্লনা হায়খি।

মীওইবদা চথবা অহানবা চাংয়েংশিংগী ফলশিং অদু য়ু কেদা চাংয়েংশিং অদুগী অহানবা বেটচতা পান্দেমিক অসিগী মাঙজিন থানা থেংনরিবা হেল্‌থ কিয়ার ৱার্করশিং য়াওরবা মতুং মথংগী থাদা ফংলবা য়াবগী আশা তৌই হায়খি।

# য়ুম য়ৌনবা নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎতা চাদবদগী মাইগ্রেন্ট অহল অমা শিখ্রে

**লক্ষ্নৌ, মে, ১৭ (এজেন্সি)ঃ**
মহাক্কী ইমুংগী মীওই খরগা লোয়ননা মহারাষ্ট্রদগী মাগী ময়ুম য়ৌনবা খোঙচৎ অমা লাকখ্রবগী নুমিৎ হুন্নিগী মতুংদা ঙসি অয়ুক মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবা অহল ওইরবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমা চাদবদগী ওইরম্বা য়াবা মওংদা ত্তর প্রদেশতা শিখ্রে।

মহাক্কী মরীমতাশিংগী মতুং ইন্না মহাক্না ইকোন–কোনবা ওইনা চাক চরা অমা চাখিবা অদু মহাক্না চৎপা হৌরকখিবা মতুং ইরাই নুমিৎতনি হায়খি।

বিক্রম কৌবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অদুনা শগোলশেল নুমিৎতা মহারাষ্ট্রদগী মাগী ইমুং অদু মী খরগা ট্রক অমদা লাকখি। মখোয়না য়ুপিগী কোনুং লক্ষ্নৌদগী কিলোমিটর ১২০ লোম লাপ্পা কন্নৌজ দিষ্ট্রিক্তা ঙসি অয়ুক পুং ৩ তাবদা কুমথখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না হরদোয় দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মখোয়গী ময়ুম টাউন অদু তন্না খোঙনা লাকপা হৌখিবগা বিক্রম কিলোমিটর ১ ফানা চৎত্রিঙৈদা লম্বীদা ৱাম্বদুনা তাখি।

অহানবগী থিজিনবদা মহাক্না শিখিবা অদু চাবা ফংদবদগীনি হায়বা উৎলি। মখোয়না মখোয়গী খোঙচৎ অদুদা অয়াম্বা মতমদা সুপ্নগী বিস্কুৎ খরখক্তমক চারগা লেল্লকখি। ঐখোয়না শিবগী মরম অদু খরদা হেন্না খঙনবা হোৎনরি হায়না সেনিয়ার দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েল অমা ওইরিবা সাইলেস কুমার সিংহনা হায়খি।

কোরোনাভাইরস লোকদাউন মার্চতগী হৌখিবদগী ট্রান্সপোর্ট সার্ভিসশিং থিংজিনখ্রবা মতুংদা লমদন্দুনা লৈবা মাইগ্রেন্ট লাক্ষ কয়াগী মনুংদা চহী ৬০ শুরবা ৱার্কর অসিসু অমনি।

মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা লেবররশিংনা মখোঙনা মখোয়গী ময়ুমশিং য়ৌনবগী শাংলবা খোঙচৎশিং চৎনখি। অসুন্না মখোয়গী খূঙ্গংশিং য়ৌনবা হোৎনবদা ইরাই নুমিৎকী মতুংদগী লম্বীগী এক্সিদেন্টশিংদা য়ামদ্রবদা মাইগ্রেন্ট ৩১ শিখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী ঔরায়া দিষ্ট্রিক্তা মাইগ্রেন্টশিং তোংবা ট্রক অনী ঙরাং থাংজ নুমিৎতা থেঙ্গাইনবদা মাইগ্রেন্ট ২৬ অদু শিখি। ফিভমশিং অসিদগী উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা ওফিসিয়েলশিংদা ষ্টেটকী ঙমখৈশিং থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-468**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | | | 8 | 1 | | | |
| | 4 | | 7 | 3 | | 8 | | |
| | 1 | | | | 6 | 7 | | 3 |
| 1 | | 6 | 3 | | | | 7 | |
| 7 | | | | | 8 | 1 | 3 | |
| | 8 | 2 | 4 | | | | | 9 |
| 8 | | | 1 | | | | | 6 |
| | | 1 | 6 | 7 | | | 8 | |
| | | 9 | 8 | | | | | 7 |


## GAS TODAY

**Heirok Indane**
Booking : 29/02/20
Valid : 10/02/20
Time: 09.00 to 01.00 p.m.
Home Delivery Only
Delivery Contect No.- 9436274203
Booking - 7627935705

**Imphal LPG Service**
Booking : 20/03/20
Valid : 17/02/20
Sl. No. : 18108
Time : From 08.30 a.m.
Home Delivery Contact No.- 6009392991/ 8131853129
Delivery on Payment At Godown

**K & K Indane**
Booking : 10/04/20
Valid : 20/03/20
Sl. No. :
Booking Open at Tara Bazar Office
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 11/02/20
Valid : 07/02/20
Sl. No. : 70863
Contact No.-9366471778/ 8837349474

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 09/02/20
Valid : 28/01/20
Sk : 612
Home Delivery Contact No.- 9862836403/ 8415050488/ 9366075820

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 09/03/20
Valid : 02/03/20
Sk : 306
Time : 08.00 to 12 Noon
Contact No. - 1. Delip- 9612883295 (Moirang A/C)
2. Ajay- 7005667570 (Thanga A/C)
3. Rojen - 8787381746 (Kumbi A/C)
Booking Contact No. - 708597224

**M.M. Gas Service**
Booking : 21/02/20
Valid : 17/02/20
Home Delivery Only
Time : 08.00 to 11.00 a.m.
For Thangmeiband Area Contact SMS/ Whatsapp to 813852580/ 8257056190
For Uripok Area Contact SMS/ Whatsapp to 9366320643/ 6009885600
Other Area Contact SMS/ Waatsapp to 9862792731/ 9612009063
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 03/03/20
Valid : 20/02/20
Stk. : 322
Home Delivery Only
Refill Order & Enquary 7629947172
Booking No- 7629947182
Time : 07.30 to 12 Noon

**T. D. K. Gas**
Booking : 28/02/20
Valid : 23/02/20
Contact No. - 8837269355/ 6909614353


সনা–সুদোকু – ৪৬৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 5 | 1 | 8 | 9 | 4 | 6 | 2 |
| 2 | 8 | 9 | 4 | 6 | 7 | 1 | 5 | 3 |
| 4 | 6 | 1 | 5 | 2 | 3 | 7 | 8 | 9 |
| 5 | 2 | 8 | 7 | 3 | 4 | 6 | 9 | 1 |
| 7 | 1 | 6 | 2 | 9 | 8 | 3 | 4 | 5 |
| 9 | 4 | 3 | 6 | 1 | 5 | 2 | 7 | 8 |
| 8 | 9 | 7 | 3 | 4 | 1 | 5 | 2 | 6 |
| 1 | 5 | 2 | 9 | 7 | 6 | 8 | 3 | 4 |
| 6 | 3 | 4 | 8 | 5 | 2 | 9 | 1 | 7 |